ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯨꯂꯥꯢ ꯲꯷, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুলাই ২৭, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১২৪শুবা মশীং

# বোর্দর পিল্লর য়েংশিনখিবা

## *সেন্টরগী মায়কৈদা পুকচেল শেংদবগী ফিভম লৈখিব্রা*

**মীওই** অহুম্না শাবা সেন্টরগী টিম, মণিপুরদা বেজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংনা হৌজিক লৈরিবা বাউন্দরি পিল্লর ৮১ য়েংশিনখ্রে। মফমদু য়েংলবা তুংদা হন্ননবা থৌরাং তৌরকপদা ক্বাথা খুনৌ অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা নুপীশিংনা ট্রেদিসনেল বাউন্দরি ওইরিবা মমাংদা বোর্দর পিল্লর ৮১ য়ুংলম্মী হায়রিবা মফম অদু য়েংদবা য়ারোই হায়দুনা লম্বী থৎখি। পাম্বৈ লৈতবদগী মীওই অহুমগী টিম অদুনা ট্রেদিসনেল বাউন্দরি অদু কায়নথংদা য়েংখি। চয়েৎনবা লৈ হায়রিবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ অসিবু য়েংশিনবা লাকপদা শরুক য়াখিবা সেন্তরগী সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী লেফটিনেন্ট জেনরেল গিরিসকুমারনা রেকোর্দকী মতুং ইন্না বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ য়ুংলিবা মফম অসি চুম্মী। অদুবু খুঞ্জাশিংনা হিষ্টোরিকেল রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না বোর্দর পিল্লর ৮১ য়ুংলিবা মফম অসি লাল্লি হায়রবনিনা রেকোর্দশিং অদু কূপ্না নৈনদুনা করি লৈবগে হায়বদু য়েংগনি। রেকোর্দ অমত্তা লৈতনা অচুম্বা মফম অদু পুথোকপা ঙম্লোই। রেকোর্দকী মতুং ইন্না থবক তৌগনি। খুঞ্জাশিংনা লাল্লে হায়রবনিনা কূপ্না নৈনদুনা রি সর্ভে তৌনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌবগীবুদি য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) গী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম্না বোর্দর পিল্লর য়েংশিনবা লাক্লিবা সেন্তরগী মীহুৎশিং অসি মপূং ফানা খূৎলায় অমদি মেছিন্নচিংবা পুরক্তবা মরম্না সর্ভে টিম অসিনা দিমার্কেসন তৌগদৌরিবা অসি মপূং ফারোই হায়না মাঙজৌননা খঙহনখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ অসিখক নত্তনা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর খুদিংমক রি সর্ভে তৌগদবনি হায়বসি য়ু সী এম অমদি মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বনি।

সেন্তরগী মীহুৎ কাঙবু অসিগা লোয়ননা হান্না বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ য়ুংলম্বা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংলুরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চুম্লে হায়রিবা বোর্দর পিল্লর ৮১ য়ুংলিবা মফম অসি মীয়াম্নদি চয়েৎনবা লৈ হায়বগী ফিরেপ অদু হৌজিক ফাওবা লেংদনা লৈ। সেন্তরগী মীহুৎ কাংবু লাক্তুনা য়েংলবা মতুংদদি মীয়ামগী চয়েৎনৈ হায়রিবা মফম অসি য়ারে। অদুবু মপূং ফাবা খূৎলায় পুরক্তবনা মরম ওইরগা থা ১ ফাওবগী মনুংদা ম্যান্মার গভর্ণমেন্ট য়াওরগা মপূং ফানা রি সর্ভে তৌরগে হায়বগী থাজবা পীরমখি। কুমজা ১৯৬৭কী ওফিসিএল এগ্রিমেন্ট মতুং ইন্না বোর্দর পিল্লর দিমার্কেসন অসি ত্রেদিসনেল ৱেদা তৌগদবনি অমসুং মেপতা তৌবা য়ারোই হায়না য়ানখি। মরমদি মেপকা গ্রাউন্দগা চান্নদে। মতম অদুদা মেপ্তা লৈখিবদগী চয়েৎনবা অসি লাকখিবনি হায়না য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরৱার্দ ব্লোক্কী সেক্রেটরি কে ঐচ গ্যানেশ্বরনা ফোঙদোকখি। মমাঙদা সেন্তরগী মীহুৎশিং লাক্তুনা য়েংবদা য়েংশিনগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লম্লগা হনখ্রবা মতুংদা সেন্তর য়ৌরগা চুম্মী হায়দুনা ফোঙদোকখিবনি। অদুবু য়েংশিনবা অসিদদি ইন্দিয়াগী সর্ভে টিম্না হকথেংননা য়েংলবা মতুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চয়েৎনবা লৈরে হায়বসি য়ারব্রা হংবদা অইবা ওইনা নৎত্রবসু চীলহায় ওইনা য়ারে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লমখি। দেল্লি য়ৌরগা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা শোয়দনা তক্লগনি হায়বা ৱাফম য়ারগা চৎখিবনি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা বি সী পি আই, বি এস পি, এন সী পি, ফোরৱার্দ ব্লোক, সিব সেনা, এম পি পি, আর এস পি, জে দি (য়ু), জে দি (এস), কোংগ্রেস, আম আদমি পার্টি, এম পি সী, সী পি আই (এম) অমসুং বি জে পিনচিংবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। সেন্তরগী মীহুৎশিং অদুদা য়াওরিবশিংদি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী জোইন্ট সেক্রেটরি (বি এম) শ্রীপ্রিয়া, রঙ্গানাথা অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরি (বি এম) এ বি ধরমরেদ্দিনি। লোয়ননা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি এস ইবোমচা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর তোম্বীকান্তসু শরুক য়াখি। মতাং অসিদা থোরক্লিবা ৱাহংদি ঙমখৈ য়েংশিনগনি হায়দুনা লাক্লিবা সেন্টরগী টিম্না করি মরমগী মতিক চাবা খুৎলায় অমদি রেকোর্দনচিংবা অমত্তা লোয়নরক্ত্রিবনো হায়বসিনি। য়েৎনরিবা ঙমখৈগী শরুক য়েংশিনবা হায়বসিমক্তবু মথৌ তাবা রেকোর্দ অমসুং খুৎলায় য়াওদনদি অচুম্বা পুথোকপা ঙম্লোই হায়বা মশানা তারবা ৱাফম্নি। থম্মোয় শেংনা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা মমিংতগী ওইনা চথখিবা মানবা থৌওং অদুনা মীয়ামগী হেন্না কনবা ঈহৌ লাক্লবগী মরম ওইহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। জম্মু এন্দ কাস্মিরদা পাকিস্টাননা লম মচেৎ অমখক খোপচিল্লকপগীদমক্তদি কার্গিলদা অকনবা লান শোক্লদুনা মমল য়াল্লবা লাম্নী কয়াগী থৱায় থাহনখ্রগা চাইনানা অরুনাচল প্রদেশকী লম খোপচিল্লকপা অমসুং ম্যান্মারনা মণিপুরগী লম ফনা য়াম্না খোপচিল্লক্লে খঙলবফাওবা তুমিন্না লৈথোকপা তারগদি ইন্দিয়াগী ময়োল লমদম্না অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিং মীরায়বিরে হায়না লৌনরক্লবগী মরম ওইহল্লকপা য়াই হায়জনিংই।

## *••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### মখা চত্থদুনা লৈদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**শুরোন** কয়াদগী তৌনরক্তবা থবক্তি য়ারিবমখৈ তৌদনবা হোৎনবসিনা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। অশানবা মীৎয়েংদা উবা ঙম্বা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংবু করম্না ফত্তে হায়গনি। লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসিদা অসুক্কী মতিক ইচু তানা চৎনরম্বা পূম্নমক ঙসিগী মীরোলসিনা মথোং মরম খঙহন্দবগী হৈনবী অমা অথোম্নন লৈরকপা অসিনা অশোয়বা ওইরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্কদৌরিবনি। ফুরুপ ওন্দুনা নুংশি পন্থুং ফংলবনি খন্দুনা য়ূমলেপ চারা তল্লকপদা, মমা-মপা ওইবশিংনা পেঞ্জদবদগী মচাবু শিখ্রে হায়বগী ৱাখলদা চফু-উয়ান থুগাইদুনা পেঞ্জদবা উৎলকপা মসিবু করম্না তৌদে হায়গনি।

চহী অমগী মনুংদা নোংমতং লাকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী মতমদা নিংঙোল ওইবী কয়ানা মপাম লমদমদা লৈজবী ফিরোল, সনা-লুপা শীরগা কেনা-মৌনা চৎচবা হন্দক্কী মপোক্কী ওইনা ফংলরোই খল্লুবদা তারক্কনু য়াদ্রবা পিরাংনা অতৎ-অখম লৈতনা শিন্থরকখিবা চাক্কৌবা অমখক্কীনি হায়বদা লানদৌরিবনি। য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবী ঐখোয়গী চনুরা নুংশিবী, ফুরুপ তিন্নদবদা চৎখিবা পেঞ্জদেদকো, চীংমীনা, ময়াংনা, মীতৈ পাঙলনা লমদমসিগী চনুরা ওইবী মহাকপু পুন্সি লৈপুন ওইদুনা য়ূমলেপ চারা তমখিবা থিরুবদা লোইবা নাইররোই। নকশিন্নবদগী তোরো খোন্দানবদগী ওইখিবসু কনানা খঙবা। অমদা ওইগেরা অমদা ওইগেরা মতম্না লৈরিঙৌদা খন্থহৌবগী তাঞ্জা ফংলবা ফুরুপ ওনবমক্তি তৌরমগনি থাজবা ৱাৎলবনি। নুপী ওইবীশিংগী অশোয়বা খরসিনা নুপী খুদিংবু হন্থবা থাক্তা খলহল্লকপা মসিমক্তি তৌদবনা খ্বাইদগী ফৱবনি। ফুরুপ অমদগী ফুরুপ অমদা ময়ূম মকৈ পানখিবা মখোয়বু উবদা ফুরুপ্তুগী নুপী ওইবীশিংনা মুরুম-মুরুম ঙাঙনবা, মুনা-মুনা য়েংবা মসিমা শোয়দ্রবনি। পূম্নমক ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা, কনাদা ৱারৌরুবা য়াবা নত্তে। ইশানা থাকচবা লাংদা থুরুবদগী ফংলকপা ফল হায়বদু ওইদৌরিবনি। মপাম লমদমদা কেনা-মৌনা লাকচগদবা লমদমসিগী চনুরা কয়া ফুরুপ তিন্নদবদা য়ূমলেপ চারা তমখিবনা নুমিৎ লৈরিঙৌদা ইপামনি হায়দুনা থৌনা লৈনা লাক্কদবসু চৎনবী অমা ইচাউ চাউনা লৈবনা, মী পোং ইউ উদবা তাঞ্জা অমা য়েংলগা নুমিদাং নত্তনা লাক্লোইদৌরিবনি। কৈরোই লৈকায়গী মরুপ মপীজা কয়া অমা উনবা ঙমদনা কাওনবদা চেল্লবা য়েনগুম তৌদনিঙাই লৈরোই। মসি হায়শিন্নবা নত্তে। মৱা মপুরোইবগী নাক্তা নুংঙাইনা সনা-লুপা, মোন্তেক-মোন্দুমদা য়াওন্নদুনা লৈরবসু মথম্মোয়দা করিগুম্বা পেঞ্জদবা অমদি অদুমক লৈতনীংঙাই লৈরোই। উদবা মফমদদি উদ্রবনিনা ফরি। মীৎনা শং-শং নাতোন শুমাঙদা ইফোং ফোংনা লৈবসিদি উরনু হায়রসু অদুমক মউই, উরবনিনা চিন থোকউবদি য়াবা নত্তবনিনা উরুবদা ইথন্তা পেঞ্জদবা অমা অদুমক ময়াওবনি। মসি ঐগী ঈ ওইবনা থম্মোয়দা পেঞ্জদবা লাক্লিবনি। মসিগী মতাংসিদনি ঈ মরী হায়নরিবা। কাঙলূপ কাঙলূপ নাইনা নুংশিনদনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংনদুনা হাৎনরিবা, শুনরিবা পূম্নমকসি নুংশিনবা ৱাৎলকপদগী ওইরকপনি। ফনা য়াম্না হায়দুনসু তশেং তশেংবা মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়গী নুপীদগী নুংশিজবসিবু করম্বা ফুরুপকী নুপীনা মহুৎ শিনবা য়াগদগেনে? লাইনসু য়াবা মীনসু য়াবা করিগুম্বদা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী নুপী লৌদুনা মীতৈ-মৈতৈ ঐখোয়গী ইরক্তা য়ূমলেপ চারা তমদুনা লৈরকপা মসিসু মখোয়গী শাগৈ নাতৈনা পামইদকো হায়না হায়রম্বদি থাজবা ৱাৎতুনা অদুমক লৈরদবনি। লৌবুক্তা হুনবা ফৌদিনা ফনা য়াম্না শেংদুনসু মথংগী চহীদা শেংখিবনি হায়বা ফৌদিদু নমদনা ফৌমান য়াওদনীংঙাই লৈরোই। ফৌমান য়াওদনবা চেকশিন্না করিদা শোয়খিগদগে খন্দুনা থবক ওইনা ওন্থোকপদা শোয়দনীংঙাইগী থবক্তি ওইদ্রবনি। খনবু খন্থহৌদ্রবা অশোয়বা লাক্তনীংঙাই লৈরোই।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

# মণিপুরদা শুংবা য়ু মপান লমদা পাম্বা ৱাৎপদগী ফেক্টরি মুৎপা য়াই

অওনবা মালেম
সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**মণিপুরদা** য়ু শুংবসি চেঙদগী শুংবনিনা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীদুনা মপান লমদা য়োনগে হায়বা তারবদি চেঙ মরাং কায়না ফংবা তাই। লমদমসিদা তৌরিবসিদি চেঙনা য়ুসু শুংবা অদুগা হিংনবগী নোংমদা অনীরক চাবসু তম্বনি। অনীসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌরিবদি লমদমসিগী মীয়াম্না চেঙসিনা চাক ওইনা থোংদুনা চারগা হিংবনি। শম্না হায়রবদা হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা মরুওইবা চিঞ্জাক হায়বসি চেঙ অসিনি। তল চাবা হৈনদে। অদুনা গেহু থাদে লমদমসিদা। ফৌ থাবখক্তনি মণিপুরগী লৌবুক্তা লৌ উরিবসি। চহী অমগী পুথোক্লিবা ফৌগী চাথোক অদুদগী অয়াম্বনা চাবগী ওইনা শীজিন্নৈ। অদুবু কোন্নদ্রে। অৱাৎপা শরুক মপান লমদগী চেঙ বোরা বোরা পুশিল্লকই। মসিগী মথকসিদা য়ু শুংনবগী চেঙ অমুকসু চেঙদায়বীশিংনা বোরা মপোৎ-মপোৎ তায়থোকখিবদগী অমুক্কসু হেন্না চাবা কোন্নদে। তশেংনা মণিপুর মীয়াম চেঙদা মীপাল তাংবা কুইরে। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা চেঙদগী য়ু শুংনবগী অয়াবা পীরকপা তারবদি চেঙ তায়বগী চাং য়াম্না হেঙ্গৎলকপা মশানা তাবনি। অদুবু চেঙগী পোথোক্তি হান্নদগী হেঙ্গৎলক্কদবা লৈতে। য়ু শুংনবগী চেঙগী দিমান্দনা হেঙ্গৎলক্তুনা কুম অমগী চেঙ অয়াম্বদি য়ুগী ফেক্টরিদা য়ৌখিবদগী চাননবা চেঙগী অৱাৎপা ইখঙ খঙহৌদনা লাকপা তাবনি। ফীভম অদুনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট অনীমক অচৌবা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা তাবনি।

য়ুগী ফেক্টরি হেক লীংখৎলকপদা ওইগদবা চেঙগী ফীভম অমা খঙহৌদনা লাক্কনি - মীতৈ চেঙনা য়ুগী ফেক্টরি মায়কৈ পাংখিবা অদুগা মপান লমগী সুপরফাইন চেঙনা মণিপুরগী য়ূমথোং খুদিংগী চাকখুমদা থুংলবা হায়বা মওংসিদা। মীতৈ চেঙনা য়ু শুংবদা মরেক-মহাও য়াম্না কাবা অফবা মখলগী য়ু পুথোরক্কদবনা মীতৈ চেঙদি ফেক্টরিদা লোইনা চঙখ্রনি। করিগুম্বা মতমদা হায়নবা লৈ সুপরফাইন চেঙনা অয়াম্বা চানরে মীতৈ চেঙগী পোথোক লৈতবদগী অদুগা সুপরফাইন্নসু অদুম চহী চুপ্পা মণিপুরগী চানবা কোন্নবনি হায়দুনা। অদুগীসু মথক্তা মীতৈ চেঙ চাবদি হকচাংদা সুগরগী হায়বদি চিনিগী চাং য়াম্না হেনগৎলি হায়নবা অমসু লৈনরি। অদুনা মীতৈ চেঙসি হকচাং ফত্তে হায়বগী মওংসিদা য়ু শুংবদা শীজিন্নবনা ফরে হায়বগী মওংকা লৈনরম্বসু কনানা খঙবা! পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মগুণ লৈরবা মীতৈ চেঙসি হুগী মশক ওইরবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা য়ু শুংবদা য়াম্না কান্নরে হায়না শীজিন্নখিবা তারবদি মদুসু পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইরি। শীজিন্নববুদি চেঙ অসি য়ু শুংবদা শীজিন্নরি। মদু নাৎকী ওইবা মওংদা য়ু শুংবদা শীজিন্নরি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীদুনা মীয়াম থক্লবা কৈথেলদা য়োলহন্নবা ফেক্টরিদা চেঙ অসিনা য়ু শুংবমক্তি য়াওদ্রি। করিগুম্বা চেঙ অসিনবু পাক চাউনা ফেক্টরিদা য়ু শুংখিবা তারবদি মীতৈ চেঙগী মমলসি তাঙখৎলক্কনি। শেন্দোং লৈবনিনা ফেক্টরিলোমদা লোয়না য়োন্থোকখিনি। ফেক্টরিগী কাঙবুনসু য়ারিবমখৈ লৌশিন্দুনা থমজিনখিনি। চেঙগী মমলসু ৱাংখৎখ্রবনিনা চানবগীদমক চেঙ অসি ৱানবদি ঙম্নররোই। অদুনা মমল খজিক্তং হোঙবা সুপরফাইন চেঙদা তাইনবা মশানা তাবনি। মীপূম খুদিংমক সুপর ফাইন্দা তাইনরক্লবনিনা চেঙসিগী মমলসু হেনগৎলক্কনি। শেন্দোং ফংনীংদবা কনাসু লৈতে। মসিমসু মীয়ামদা পীরকপা য়াবা চৈথেং অমা ওইবা য়াই। লৈবিনবা মীগী মশীং হেনগৎলকপদগী সেন্তরনা পীরকপা সুপরফাইন চেঙগী কোটা অদুনা লমদমসিদা লৈবা মীগী চাবা কোন্নরক্তবসু য়াই। চেঙ পীরকপা হায়বসি অকক্লবা চাং অমদা ষ্টেট অমমমগী তোঙান-তোঙান্না পীরকপনি। মীয়ামগী চাবা কোন্নদ্রে হায়রগা অহেনবা চেঙ থাবিরকউ হায়রুবদা হেক্তা থারক্কদবা নত্তে। মদুগী মরমসু হংলক্কনি। মরমদু চুনদ্রবদি থারক্কদবসু নত্তে করিনা হায়ববু চেঙ পীবগী চৎন-কাঙলোন অমা লৈরিবনি। মীতৈ চেঙ য়ু শুংবদা শীজিন্নখিবদগী চেঙ তাঙলে হায়না মরম পীরুবদা ফজবা হায়বদু ওইগদবা মান্দে। মসিনসু চৈথেং অমা মীয়ামদা পীরকপসু য়াদবা নত্তে।

মণিপুরগী য়ুসি মপান লমগী মীনা কয়া য়াম্না পাম্নগনি হায়বসিসু খন্নবা য়াবা ৱাফম অমসু ওইদে হায়না লৌবা য়াবা নত্তে। ঐখোয়নবুদি ফৈয়েংগী, সেকমাইগী, অন্দ্রোগী য়ুসি য়াম্না হাওই, ময়াক য়াম্না কল্লি, মপান্দা শুংবা য়ুদগী য়াম্না ফৈ হায়জরি। অদুবু মপান দগী লাকপা মীওই অয়াম্বনা ঐখোয়গী য়ুসি পাম্না করিসু থক্তে। মণিপুরদা চহী কয়া লৈরবা ময়াংশিং ফাওবা য়ুসি থক্তে কনাগুম্বা নোংমগী শূরগা চারা তানবা ময়াং খরখক নত্তনা। মদুসু মশীং য়ামখিদ্রবা জাৎনি। মসি চেঙদগী শুংবা য়ু ওইবদুনা ওইরম্বসু য়াই। ইন্দিয়াদা চেঙদগী য়ু শুংবসি মণিপুরখক্তনি হায়বা য়াই। অয়াম্বা ষ্টেটতা শুংনরিবা য়ুসি চনাংগুম্বা, অতৈ পোৎলমদগীনি। চেঙদগী শুংলবসু মখোয়গী চেঙ অদুদি চনাংগী শরুক, কার্বোহায়দ্রেটকী চাং য়াম্না শাথিনা য়াওদবা ফ্রা-ফ্রা লাউবা চেঙদগী শুংবা য়ু ওইবনিনা মণিপুরগী য়ুসিগা মহাও খেন্নরি। মহাও হায়বসিদা মখোয়গীদুনা হাওতবা অদুগা ঐখোয়গীসিনা য়াম্না হাওবা হায়বদু নত্তে। অতৈ ষ্টেটকী ময়াংশিংদি মখোয়গী য়ু অদু মতম শাংনা থক্তুনা লাক্লবনিনা মদুদা অদুম হৈনখ্রে। চনাং য়াম্না য়াওবা য়ুসি হৈনবা নত্তে। অদুগীসু মথক্তা মণিপুর হায়রিবা ষ্টেট অসি মপানগী মীনা উবদা চাওখৎলবা, হৈ-শিংলবা, মমিং চৎপা ষ্টেট অমনি হায়না লৌদে। ত্রাইবেল ষ্টেটমক নৎত্রবসু মপানগী ময়াংশিংনদি মণিপুরদা লৈরিবা মীশিংসি ত্রাইবেলনি হায়না লৌই। ত্রাইবেলগী চাকচা-য়ুথক, চৎন-কাঙলোন, চাকথোং-ফৌশু ত্রাইবেলগী মওংদা তৌই হায়না খনবনা মণিপুরদা থোং-থাকপা পোৎ চৈ চানীংবগী চাং হন্থগনি। ঐখোয়না ফনা য়াম্না নান্না টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা য়ু শুংলবসু থাজবা অদুমক - ৱাৎলগদবনি। মদুগী মথক্তসু মপান লমদদি ফেক্টরিদা শুংবা থায়নদগী হৌনা মমিং লৈরবা য়ু মখল ময়াম অমা লৈরে। হায়রিবা য়ুশিং অদুগী মমিংশিংদু য়ূমথোং খুদিং য়ৌখিদুনা মীয়ামগী চিন-লৈদা পক্তুনা লৈখ্রে অমদি মদুগী মহাও কাউবা ঙমদনা লৈরে। মদুগুম্বা য়ুশিং অদুগী মরক্তা মণিপুরদা শুংবা য়ুদুনা চঙবা ঙমগদ্রা অমদি য়ুগী কৈথেলদা মফম অমা কনবা ঙমগদ্রা? মসিসু খন্ননীংঙাই ওইবা অরুবা ৱাফম অমনি।

মপান্দা থাদোক্কনি হায়বগী পান্দমদা ফেক্টরিদা য়ু শুংলুরগা পোৎসি মপানগী মীনা পামদবদগী দিমান্দ লৈরক্ত্রবদি কদায়দা তাওদুনা লৈগনি? লুরদ্রা থবকসি, হায়বদবু লায়বনি ঐখোয়না সেকমাই, ফয়েং, অন্দ্রো, অদু-অদা। মীনা করিসু পাল্লোই করিনা হায়ববু ঐখোয়গী য়ুগী মনমসিনি পামদ্রিবসি, হৈনদ্রিবসি। মসিগী মরমদি চেঙনা শুংবা য়ু অসিদা য়াংলি অমদি হামৈ হাপ্পদগী তোঙানবা মনম অমা নল্লিবনি। মসিনি মপান্দা পাল্লোইদবগী মরম, হৈনরোইদবগী মরম। ঐখোয়নবুদি মদুগী মনমদু হন্থহন্নবা য়াংলি অমদি হামৈ হাপ্পগী চাং হন্থহনগনি হায়রক্কনি। অমরোমদা হামৈ অমদি য়াংলি হাপ্পগী চাং হেক হন্থরুবদা তোঙানবা মওং অমদা চৎখিদুনা ঐখোয়গী য়ুগী মশক অদু হোংখিবসু য়াই। ঐখোয়গী য়ু অসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈরিবসিদি মরুওইনা য়াংলি অমদি হামৈদগীনি। হাপ্লে কদায়, হাপত্রে ইচম চম্বা য়ু মখল অমদা তারকপসু য়াই। মপান্দা চৎত্রবা য়ুদুদি য়োন্দবা য়াদবনিনা মণিপুর মনুংদা লোন্নরা/ফোংনরা খঙদে য়োল্লকপা তাবনি। থকপীনবা মী মরাং কায়বা লমসিদা ঐখোয়গীদমক লাইসেন্স পীরগা শুংজবা তাগদ্রা? অদুনা ঈরোই লৈদ্রিঙৈদা হৌদোং হাৎপগী মওং তাখিদনবা য়ু শুংনবগী লাইসেন্স পীবগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা তরেৎ তরা থোক্লা খন্ন-নৈনবা য়াম্না চুমগনি। মালেমগীদি তোকপু তোকখিসি, ইন্দিয়াগী য়ুগী কৈথেলদা চঙবা হায়বসি অরাইবা থবক নত্তে। অদুনা চহীদা লুপা ক্রোর ৩৫০-৪০০ ফাওবা মপান্দা য়ু য়োনবদগী ইনকম লাক্কনি হায়না পানরিবসি ওইথোক্লোই। হায়রিবা শেনফম অসিদি কৈথেলদা য়ুগী দিমান্দ য়াম্না তৌরক্লবা মতমদা ফংগদবনি। অতৈ ষ্টেটশিংদি থম্থু থমখিসি, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী করম্বা ষ্টেটতা ঐখোয়গী য়ুগী দিমান্দ লৈগনি হায়না পাবা য়াই। অসাম, মেঘালয়া, সিক্কিমদা মমিং লৈরবা য়ুশিংগী ফেক্টরি লৈ। ত্রিপুরা, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশনা ঐখোয়গী য়ু করি করম্বা মগুণনা মরম ওইদুনা পামগদৌরিবনো হায়বসিসু হান্না খন্নবা য়াই। মহাও য়াম লৈগদৌরিবরা, মহাওসু লৈবা অদুগা মমলসু হোঙহনবা ঙমগদ্রা? মমল হোঙহল্লুরে পোৎথোক য়াম্না পুথোক্তুনা য়োনবা ঙম্লোইদবনা শেল্লেপ মাঙদুনা মুৎকনি। খাঙবোক্তা লৈরম্বা খানসারি সুগর মিল মুৎখি।

মপান্দা য়ু থাদোক্কনি হায়বসিনদি হেক্তা য়াগদবা নত্তে। ঐখোয়না টার্গেট তৌগদৌরিবা মফমসি কদায়দনো? মণিপুরগী য়ুসি অনৌবনি হায়রগা মপানগী মীনা তাপ-তাপ হেক্তা লৈরগা থক্কদবা নত্তে। অনৌবা য়ু অমনা মমিং লৈনবা (ইষ্টাব্লিষ্ট তৌবা) হোৎনবা হায়বসি মতম য়াম্না চঙগদবা থবকনি। লাইসেন্স লৌরগা য়ুগী ফেক্টরি লীংগদৌরিবা লন্নাই ফার্মশিংসু হিংবদা ৱাগনি। মীয়াম পাক শন্না খঙনবা এদভর্টিজমেন্ট তৌরবসু থোইদোক্লা কান্নবা ফংগনি হায়বা থাজদে, শেলসু য়াম্না চঙগনি। পোথোক পুথোকপগী অহানবা মতমদুদি পোৎশিং য়াম্না ফগনি হায়না খল্লি। মদু মরুওইনা হুরান লোন্নাদা মণিপুর মনুংদা য়োনগদৌরিবনি। য়োনবা য়াদে অথিংবা লৈ হায়রবসু অহানবা কৌবনিনা মহাও তংনীংবনিনা লৈজগে হায়বসিনা মী কৃক-কৃক ইন্নদুনা দিমান্দদি অতিয়ামুক ৱাংগনি। অদুবু য়ু থকপগী হৌজিক লৈরিবা অসিদগী পংখেন খেন্নরোই। মপান্দগী য়ুঙাং পুশিল্লক্লিবসিগী চাংদি খরা হন্থরকপা য়াই। অদুবু মদুসু নৌনা পুথোক্কদৌরিবা য়ু অসিগী মগুণন্দা লৈরে। মহাও ইয়াও য়াওদ্রে মপান্দগী য়ুঙাং অদুম পুশিল্লক্কনি অদুগা মগুণ লৈরগনা য়ুঙাং পুশিল্লকপগী চাং হন্থরক্কনি। ফেক্টরি লৈরবসু/লৈত্রবসু য়ু থকপগী চাংদি হন্থরক্কদবা লৈত্রে। মণিপুরদা নহাসু, অহলসু য়ু থক্তুনা ইমুং-মনুং মাঙহন-তাকহল্লিবসিদি য়ু শুংবখক্তনদি নত্তে খুন্নাইগী শেল-থুমগী, মহৈ-মশীনগী, লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্টকী ওইরিবা মওং কয়াদগীসুনি।

# মণিপুরসি হাইফেৎতি লাইবক থীবা জাৎনি

মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

**মণিপুর** ষ্টেটনা অচৌবা ৱাথোক ঙাক্তা মায়োক্নদুনা লাক্লিবসি মতম কুইরক্লে। ফাগীসু ফাগীনি হায়ববু, চহী খুদিংগী ওইনা জুন/জুলাই থা সিৱাইসিবু য়ৌশিল্লক্লবদি, মণিপুরসি ৱাথোক অমদি হেক্তা লাক্তবা ইয়া-য়াদবদৌনা তৌরি। কুমসি চহীগীসুনি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী শিন্দোক্তবা য়ারোই হায়বগী খোঙজংদা অচৌবা ৱাথোক অমা হেক্তা ওইরকই। অমুকসু ৱাথোকসিনা চহীসিগী ওইনা লোইগদৌবসু মান্দ্রি। হৌজিক-হৌজিকমক, মণিপুরগী ঙমখৈসু ওইরিবা বর্ম্মা অমদি ইন্দিয়াগী বাউন্দরিগী পিল্লর খরা ইন্দিয়া নৎত্রগা মণিপুরগী ঙমখৈরোমদা চঙশিল্লক্লগা য়ুংশিল্লকই হায়বগী খোয়শাউনবদা, মণিপুর মীয়ামগী পোকখায়রক্কদৌবা মানবা অচৌবা মৈগী চীংগুম্বগী অকিবা মমি অমসু য়াম্না ময়েক শেংনা তারি। শুপ্নগী য়ুনিভর্সিটি অমখক্কী ভাইস চাঞ্চেল্লরখক শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী ৱাফমদা অসুক থীনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইরকহল্লক্লিবসি করিগীনো, মতাংসিদা চমম্নবা কয়ামরুম পোক্লদবসু নত্তে। থৌদৌসি হন্দক্কীসিনা অহানবা ওইরমগদবসু মান্দ্রি, মমাঙদা পংতা-তানখিদবগুমসু তৌরি। থবক খুদিংমকসি পোলিটিক্সকবু শম্নরুরবদি অমসুং পোলিটিকেল ফিল্ডদবু তারুরবদি মহৌশানা লোইবা খন্বা হায়বসি খক নাইগন্দ্রি। পোলিটিক্সতা ওইথোক্তবা হায়বা ৱাফম অম'মুক লৈতে। অদুগা, ওইথোকফম থোকপা ৱাফম কয়ামরুম অমসু নমদুনা অদুম্মক ওইথোকহনখিদবসু য়াওদবা নৎত্রি। হায়নরিবনি, পোলিটিক্সকী খূৎশাশিংনা শোকপদা উতুপ-ৱাতুপশিংসু সনা ওল্লি অদুগা মমল য়াল্লবা মণি-মুক্তাশিং কয়ামরুমসু লৈঙোই হেক্তা ওনহনবা ঙম্মী। পোলিটিক্স য়াওদনা মালেমসি খোঙকাপ অমা ফাওবা চাওখৎপগী মায়কৈরোমদা থাঙজিনবা ঙম্লোই অমসুং পোলিটিক্সনা মালেম পূম্বসিদা লোয়বা-খন্বা নাইদবা ৱাথোক কয়ামরুম অমা থোকহন্দবসু নত্তে। পোলিটিক্সনা মালেম পূম্ববু পুনীংবা মায়কৈদা পুবসু শোয়দনমক্কী ঙমগনি।

মণিপুরদা মশীং থিঙমদ্রবা মরী লৈনবা মীওই কয়ামুক্লা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক-হৌজিকমক ভাইস চাঞ্চেল্লর (ভি সী) গী ফম পায়রিবা মীশকসিবু মফম লৌথোকউ হায়বগী অকনবা খোঙজং কয়ামরুম চঙশিল্লিবসি তশেংনমক অরায়বা পোফম খরগীদমক্তি শোয়দনমক্কী ওইরম্লোই। মহৌশানা লৈপোকসিদা লৈরিবা মীয়ামসি মপূকচেল য়াম্না চাউগল্লি অমসুং মথক থোংবা ওফিসরশিংবু অসুক্কী মতিক কিনা অমদি হঙ্গোয়না চৎকল্লি। থৌদৌসিমক্লা মীরমদম মচা ওফিসর কয়ামুক্লা ইরমদম মচাশিং কয়ামুকপু থওই-উশিত্তনা, নমজা-নমথেক্লবীদুনা শীজিন্নবীবসু য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা থৌদৌশিংসিদা হায়নরুবা য়াদবগী মহৈ-মহৈ য়েংনরগা খাঙনবনসু কোঙ্গায়নি। ফীভমশিংসিদা ইরমদমসিগী মীওই কয়ামুক্লা খাঙবা ঙম্লক্তদুনা মথক থোংবসু ওইরিবা মীরমদমগী অচৌবা ওফিসর মকোকসু ওইরিবা মীওই অমবু ঙমখৈ লৈতনা, মরীল ফুদোক্তুনা য়ানীংদবা উৎলগা তাল্লকপা হায়বসি অতাঙবা থৌদৌ অমনি। থৌদৌসিগী মরম কয়ামুক শোয়দনমক্কী লৈরমগনি। লৈত-লায়র, তোল্ল-তারবশিংদা অমদি মীরমদগী লাকপা মীতোপশিংদা অপং-থৌনাদা তোররিংনা, পুকচেল চাউবা উত্তুনা মীনুংশি লৈগনবা অমসুং মীগী মতেং পাংগনবদা হায়নরিবা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনা য়ারক্ত্রবা মীওই হায়বসি শোয়দনমক্কী মীশক্তু কা হেন্না ফরম্লরোইদৌবা মীশক অমদি ওইরম্ফম থোকই। ৱাফমসি পূক্লিংদা ফাওই। অদুবু, মরী লৈনবা কাঙবুশিং হায়বা অমদি লৈরিবনিনা হায়বা ৱাফমসিদা পূম্নমক্লা খাঙনদুনা লৈরিবসু ওইরম্বা য়াই। পূম্নমকসি তঙাইফদনা ইরমদমসিদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা ফাওবদি, অচুম্বদু করিনো হায়বসি মতম চানা য়েংশিনহৌফম থোকপ্রা খল্লি। মীয়ামগী ঈহৌ হায়বসিদি লাননি। মতাং মতম চানা ৱাখল থাদহৌদ্রিঙৈদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রবা মতুংদা কোন্না থৱায় য়াওরকপগী থবক খুত্তৌদুদি মীয়াম্না থাজবা থম্বা ঙম্লক্তবসু য়াই। থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোকত্রিঙৈদা ঙন্না ৱাখল থাদহৌবদদি মীয়াম্না কৈদৌঙৈদা খক অসিগুম্বা থাজদবগী ৱাখল্লোনশিংসি ফাওনরক্লমদবা য়াই। অদুম ওইনমক, হন্দক্কী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী তানবগী থৌদৌসিদদি লমদমসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ৱাখল-লৌশিংশিং তুংনফম অমসুং তানফম ওইরিবা মফমদুমক্তদগী হৌরকপা ঈহৌ ওইবনা খরা মখৈদি শোয়দনমক্কী তৌফম থোকপা অমসুং অচুম্বা খোঙথাং অমা হায়বদুদি ওইরম্ফম থোকই হায়বসি মীয়ামনা থাজনগনি। থৌদৌসিদা ফিরেপ শেংদনা অমসুং মরৈ মুন্দনা মরী লৈনবশিংনা, অঙাং মচাশিংনা চাকথোংবীশিং শান্নবগী থৌদৌশিংগুম খরদং পংতৌদা তৌশিনবগী থৌওংনদি কৈদৌঙৈদা খক ঈহৌসি লোইশিনহনবা ঙমগনি থাজদে।

হৌজিক চত্থরিবা মণিপুরগী ফোঙ-ফোঙ শারিবা ঈহৌ ওইরিবা মণিপুর (ইন্দিয়া) গী বাউন্দরিদা বর্ম্মাগা লোন্নবদা য়ুংলিবা খায়নফম য়ূম্বী খরা মণিপুর (ইন্দিয়া) রোমদা লম হেঞ্জিল্লক্লগা য়ুংশিল্লকই হায়বগী ৱাথোকসিমসু ঙন্তানা চুমথোক-চুমশিন তৌনবদা য়ানদুনা ৱাতাইনশিন্নবা ঙমহৌরবদি ফৈ নত্তদুনা লাইবক থীবদগী মসিগী মতাংদা করিগুম্বদা ৱাজাউ হেক থোক্লকপা তারবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর তানবগী ৱাথোকসিগুম্বা শরুক কুন-কুন্থ্রাগী মথক্তা হেন্না কনগদবা ঈহৌ অমদি সনা লৈবাক মণিপুরসিদা থোক্লবা য়াই। ৱাফমসি ৱাকায় শুবা নত্তে, ওইথোক্লকপা য়াবা ৱাফমদুমক পলহৌবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অকোয়বদা লৈবা য়েক্লবশিং মায়োক্লবা ঙম্নবা ফোরেন পোলিসি শান্নবদা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া মশামক্কী মরমদমগী লৈমায়বু মীরমদম ওন্থোকহনখিবগী থৌদৌদি ইন্দিয়াগী অতৈ মীয়াম পূম্নমক্লা য়াজরবসু হকথেংনরিবা ইরমদম মণিপুর মীয়াম্নদি কৈদৌঙৈদা খক য়াবা ঙমগনি থাজদে। মহৌশাদগী হৌনা মণিপুর ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নমদুনা পুনশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মরন্নাই নীংখা তম্বা লৈপাক অমা ওইনা পাল্লম্মী, অদুগীসু মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু নমদুনা হেক পুনশিনখিবা মতুং ইকুই-কুইদনা পাক চাউরবা মণিপুরগী লম কবো ভেল্লি লেম্না বর্ম্মাদা পীথোকখি। থৌদৌসিগীদমক নীংদোন পোল্লিঙৈ শরক্তা মতৌ করম্না অমুকসু ইশাগী য়ূম্ফম লেম্না পীথোক্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কীদমক পোন্থা ওইয়ু হায়বা য়াগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং হংলক্কদবা কাঙবুশিং কয়া অমসু শোয়দনা চোঙথোক্লক্কনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগী কবো ভেল্লি বর্ম্মাদা পীথোকখিবগুম হৌজ-হৌজি বর্ম্মাদা ইশাগী ইরমদম মচেৎ-মচেৎ পীথোক্তুনা করিগীদমক মখোয়বু থেমগদৌরিবনো হায়বসি ৱাহং অমা শোয়দনা ওইরকফম থোকই। অদুমকপু, হৌজিক-হৌজিকমক্কীদি মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুং চনবা ষ্টেট অমা ওইরিবনিনা ইন্দিয়ানা য়ূমলোন্নবা য়েক্লবা লৈপাকশিংগা লান্থেংনবা তারবদি হায়দুনা লানগী পোফম শিনবদা খুদোং চানবগীদমক য়ূমলোন্নবদা লৈবা লৈপাক অমবু নমদুনা মরুপ ওইশিন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়নসু অঙম্বা মতেংদি পাংফম থোকই। অদুবু তেংবাঙনি হায়দুনসু ইশাগী ঙমখৈ হঞ্জিন-হঞ্জিন থুগাইদুনা ইশাগী লম হঞ্জিন-হঞ্জিন মীঙোন্দা লেম্না পীথোক্তুনা মীনা য়ানবা থেম্বগী থবকসিদি ঐখোয় কৈদৌঙৈদা খক য়ানীংফম থোক্তে খল্লি। হন্দক্কী মতাংসিদসু ঐখোয় ইশাগী লম মীঙোন্দা লেম্না পীথোকখিবদা য়ানীংবা উৎখিবা তারবদি ঐখোয়মুক ইশাগী ইকায়খুম্নবা য়াওদনা হিংবা মীশকশিং মালেমসিদা লৈরম্ফম থোক্লিবরা? হন্দকমুক্কীসিমদি ঐখোয় য়ানীংফম খক থোক্তে হায়নরক্কদৌবা মাল্লি।

মরী লৈনবা মীয়াম্না য়ানীংবা পোকপা শুকঙম্মক ঙমদ্রবা মীরমদম মচা ফম্নাইবা অমখক্কী মতাংদা মণিপুরগী মীয়াম্না ইশাগী ইকায়খুম্নবা ঙাকচবা ঙমহৌদবা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফোরেন পোলিসিগী অহোবা মফম খরা মেনখৎনবগীদমক মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়না হঞ্জিন-হঞ্জিন ইশাগী লমগী ঙমখৈ কায়হনখিবদা চিংনবা পোকহৌদবা হায়বসি ঐখোয় ইশাগী ইকায়খুম্নবা ঙাকচদুনা হিংলিবরা হায়বসি ঐখোয় খন্থহৌফম থোকই। মণিপুর ষ্টেটতা হিংলিবা মীশিং য়ামজদবা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয় খরসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিসু মীথানবীবা তৌদনা শুপ্নগী মখোয়গী খুদোংচাবা পোফম খরগীদমক ঐখোয়বু লল্লোনপোৎ ওইনা হেক-হেক শীজিন্নবীবগী থৌদৌসিবু অচুম্বা থৌদৌশিং ওইরিবরা? ৱাফমসি হন্দক্তি ময়েক খঙশেং শেংহন্নীংলকই, মরমদি মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মণিপুরী ঐখোয় খজিক্তংসি হন্দক্কী মতাংসিদদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়বু করম্বা থাক্তা অমসুং করি লইনা লৌবীরিবগে হায়বদু মুন্না হংহৌফম থোকই। হন্দক্কী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌদৌশিংসিদা ঐখোয় য়ানীংফম থোকপরা নৎত্রগা য়ানীংদফম থোকপরা হায়বদু ময়েক শেংনা অমুক্তং খন্থহৌনবগী পোফমদুমক য়ৌরক্লে হায়বদা হায়মনবা খক থোক্লরোই হায়বা ৱাফমসিসু ময়েক শেংনা থম্নীংই। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু হন্দক মণিপুরদা ওইরক্লিবা থৌদৌশিংসি ঐখোয় ঈংনা অমসুং তপ্না খন্নমিন্নহৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা তাঞ্জাদুদি ওই।